# নুপী শান্নরোই ৩ দা শা-ষনগুম্না ফুখিবা বোক্সর দিঙ্কু পুলিসনা ফাখ্রে মোরেদা রেল্লি চৎখ্রে, ওল কম্যুনিটি লিদরশিংনা চঙজরক্নবা হায়খ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জনুৱারী ১৬ :***

ইন্টরনেসনেল বোক্সর অমা ওইবতা নত্তনা আর্জুন এৱার্ড অমসুং পদ্মাশ্রী এৱার্ড ফংবা ঙাঙোম দিঙ্কু মহাক্কী কারদা করিসু নত্তবা ৱাহৈ খরা থারক্নগীদমক ৱেটলিফটিংগী নুপী শান্নরোই অহুম ৱার্দেন অমসুং অতৈ শান্নরোই কয়াগী মমাংদা সাই খুমন লম্পাক্তা শা-ষন ফুৎবগুম ফুখিবগীদমক ইম্ফাল পুলিসনা ঙসি নুংথিল ফাখ্রে। হয়েং কোর্টতা পুথোক্তুনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথগদৌরি ।

প্রেসনা ফংবা পাউদা হায়রিবনা, দিঙ্কুনা নুপী শান্নরোইশিং অদু ফুবদা শীজিন্নখিবা লিচৈ অমসুং মখোয়দা ঈশিং হৈবদা শীজিন্নখিবা বালটিন রিকোভর তৌরে। লোয়ননা নুপীদা শা-ষনগুম ফুখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এফ আই আর অমসু লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদনা দিঙ্কুনা ফুবদগী হৌজিক হৌজিক লেংবা ওৎপা ঙমদনা অরুবা ফিভমদা লাঙ্গোলগী সিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা সোইবম অরঙ্বলা (১৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা রোহেনগী পোক্নফম লমদম মোরেদা ঙসি ওল কম্যুনিটি লিদর মোরেনা শিন্দুনা অচৌবা রেল্লি অমা চৎখ্রে। থা অসিগী ১৮ গী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা দিঙ্কু মশানা ওল কম্যুনিটি লিদরশিংদা চংজরক্তুবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা হায়না মীয়াম পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নখ্রে।

সোইবম অরঙ্বলা তমথিনা ফুখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি ওল কম্যুনিটি মোরেনা শিন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নুমিদাংদা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি কয়াগী মীওই লিশিং অমা হেনবনা দিঙ্কু মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়না রেল্লি চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবা ফাওবদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী ওফিসতা টামিল সঙ্গম মোরেগী প্রেসিদেন্ট ভি সেখর, হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী ভাইস প্রেসিদেন্ট গিনৈ থুংদিম, এমসিএমগী প্রেসিদেন্ট এম থোইবা, একোদোমগী প্রেসিদেন্ট আই ইবোবীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা হৌজিক মোরেদা সাইগী কাংবু লৌদুনা অঙাংশিংদা ট্রেনিং পীরিবা অদু লেপ্পবা খঙহনখি।

মীটিং অদুদা খা-নোংপোক অপুনবা নুপী লুপ, নুপী খুন্নাই চাওখৎ-লমজিং লুপ, কুকি ৱুমেন য়ুনিয়ন এন্দ হ্যুমেন রাইট মোরে, মাইনোরিটি ৱুমেন দিভলপমেন্ট মোরে, মুসলিম ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন মোরেগী ইমাশিংনা দিঙ্কু হায়রিবা মীওই অসিনা নুপীবু য়াম্না হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবা, মচে-মচলগুম খনবা ঙমদবা শাগুন্নবা মীওই অসিগী মথক্তা মণিপুরদা লৈরিবা ৱুমেন ওর্গনাইজেসনশিংনা লেম্না থাহনবা পামদে হায়না ফোঙদোক্লখি।

লোয়ননা থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা ওল কম্যুনিটি লিদরশিংদা চঙজরক্কদবনি। করিগুম্বা চঙরক্তবা তারগদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাবা লোয়রে। ওল কম্যুনিটি লিদর মোরেনা চংশিল্লকপা খোঙজং কয়াদসু লমদম অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটিশিংনা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

মীফম অদুদা সিজ হোস্পিতালদা শোক্তুনা লৈরিবা সোইবম অরঙ্বলাগী ঙসিগী পাউ-চে খরদা য়াওনরকখিবা অদু উবদা মীওই কয়া কপ্পখি। চহী ৫ দগী মপা কায়নদুনা মমা লুখ্রাবীনা য়াম্না ৱানা অদুগা মবুং শক্লা লৈরিবা ভৈগ্য সিংহ অমসুং মহাক্কী নুপী পীশক দেবী অনিগী মতেংনা ঙসি মীয়াম মরক্তা তিনবা ঙল্লিবনি। মচানুপী অসিগী অনিংবা অসি থুংনবা মহাক্কী অপোকপী মমা মোরে বজারদা চা য়োন্দুনা ৱানা য়োক্লকপনি হায়রি।

মীফম অদু লোয়রবা মতুং মোরেদা লৈরিবা কুকি, মৈতৈ, মৈতৈ-পাঙল, টামিল, মুসলিম টামিল, বিহারি, পঞ্জাবি, নেপালি অমসুং অতৈ কম্যুনিটি কয়াগী মীওইশিং লিশিং অহুম অহেনবনা নুমিদাং পুং ৬ তারকপদা রেল্লি অমা চৎখি। লোয়ননা দিঙ্কুগী মীফম য়ানিংদে, মোরেদা লাক্তুনা ওল কম্যুনিটিশিংদা চংজগদবনি হায়না খোল্লাও কয়া লাওখি।